## পাকিস্থানগী লুপা বিলিয়ন ৮ মাঙখি

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৯(এজেন্সি):
হৌখিবা ফেব্রুৱারিদগী পাকিস্থানগী এয়রস্পেস চঙবদা অথিংবা খরা লৈহনখিবদা কম্মর্সিএল অমসুং কার্গো ফ্লাইট চা কয়াদা শোকপদগী পাকিস্থানগী লুপা বিলিয়ন ৮ (দোলর মিলিয়ন ৫০) হেন্না মাঙখি হায়না লৈবাক অসিগী এভিএসন মিনিষ্টরনা শগোল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## বৃটেন মখা তানা পার্টনর ওইগনি

বার্লিন, জুলাই ১৯(এজেন্সি):
করিগুম্বা মতম খরগী মনুংদা বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেম্বর অমা ওইরক্তবা তারবসু লৈবাক অসি মখা তানা ব্লোক অসিগী পার্টনর অমা ওইনা লৈগনি হায়না জর্মন চান্সেল্লর এঞ্জেলা মাইর্কেলনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেগী মহুৎ শিনবা মীওইগা থবক তৌমিন্নবা হায়বসি মীওই অদুনা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগা করম্বা মওংদা থবক তৌবা পাম্বগে হায়বগা মরী লৈনগনি হায়খ্রে।

## ফাজিনখিবা জহাজ থাদোরক্লবা য়ু এসনা ইরান্দা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন/টেহরান, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):
গল্ফতা ইরান্না ফাজিনখিবা জহাজ অমা খুদক্তা থাদোরক্লবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তকশিনখিবগা লোয়ননা য়ু এস মিলিটরি কম্মান্দর অমনসু মরু ওইরবা ঈশিং লম্বী অদুদা ভেসেলশিং অফা-অপুন্নদনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ানবা ৱাশিংটন্না ঙমজবী থাদুনা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থাউ লোন্না পুরম্বা ফোরেন টেঙ্কর ফারে হায়বা ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দ কোর (আই আর সী সী)না শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়খি মদুদি, ইরান্না জহাজ অদুগা লোয়ননা মদুগী ক্রু খুদক্তা থাদোকপগা লোয়ননা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুঝ অমসুং মসিগী অকোয়বদা ভেসেলশিংদা হরাসমেন্ট পীবা লেপকদবনি।

মালেমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ওইল অর্টরি অদুদা হৌখিবা মেগী ময়াই থংবা শরুক্তা ভেসেল কয়াদা পরিং নাইনা চথখিবা এটেক কয়াগী মতাংদা য়ু এসনা ইরানবু মরাল শীবদা টেহরান্না য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম্নি হায়রদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবনি। থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা য়েংথিনরক্লবা লৈবাক অনীগী মরক্তা লান অমা থোরক্লদ্রা হায়বগী অকিবা হেনগৎহনখি।

ইস্লামিক রেভোল্যুসনরি গার্দ কোরগী নেভিনা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুঝ অমসুং অকোয়বদা ভেসেলশিং চৎথোক-চৎশিন্দা অয়েৎ-অপন পীবগী থৌওং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সন অমনা ঈ-মেলগী খুথাংদা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি। স্পোক্সপর্সন অদুগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা ইরান্না অসিগুম্বা লোনা য়াদবা থবক থৌরমশিং খুদক্তা লেপ্পগা লোয়ননা ফাখিবা ভেসেল অমদি কৃ মেম্বরশিংসু খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়নসু চেকশিন্না পনখি।

মমাংদা ইরানগী ষ্টেট টি ভি রিপোর্ট অমদা আই আর জি সীনা নোংমাইজিং নুমিত্তা থাউ লোন্না পুরম্বা ফোরেন টেঙ্কর অমা কৃগী মীওই ১২ লোয়ননা ফারে হায়না ফোঙদোকখিবনি। রিপোর্ট অদুদা ভেসেল অদুদা ইরানিয়ন স্মগ্লরশিংদগী ফোরেন কষ্টমরশিংদা পীনবগীদমক থাউ লিটর মিলিয়ন অমা নারোন্দা পুরম্লিবনি হায়নসু পনখি।

চৈরকসিদা য়ু এস নেভিনা ইরানগী দ্রোন অমা কাপথখ্রে হায়বা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ৱাফম ইরান্না ইরাই নুমিত্তা য়াখিদবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অনমেন প্লেন খুদিংমক তেক্ত-কায়দনা লৈরি হায়খ্রে।

## কাবুল য়ুনিভর্সিটি গেটতা সুইসাইদ বোম এটেক চথখ্রে, ৯ শিখ্রে ৩৩ শোক্লে



কাবুল, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):
অফঘান কেপিটেলদা লৈবা কাবুল য়ুনিভর্সিটিগী গেট অমগী মনাক্তা ইরাই নুমিত্তা সুইসাইদ বোম্মর অমনা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওরবা মহাক্কী কার পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেকতা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শিরে, অতৈ ৩৩ অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সুইসাইদ বোম এটেক অদু লোকেলগী মতমদা অয়ুক্কী পুং ৭.১০ রোম তাবদা মহৈরোয় কয়ানা এগজামগীদমক্তা কেম্পসতা পুন্দুনা লৈরিঙৈদা য়ুনিভর্সিটি অদুগী খা থংবা গেটকী মনাক্তা চথুরকখিবনি হায়না কাবুল পুলিসকী স্পোক্সমেন ফিরদোস ফরামার্ঝনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

পব্লিক হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাহিদুল্লাহ মায়রনা মীশি-মীনা থোকখিবশিংগী মশিং ইফে ন্যুজদা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা অশোকপশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌদুনা লায়কন্নরি হায়নসু ফোঙদোকখি। শিখিবশিংগী মনুংদা ট্রাফিক পুলিস অমা য়াওখি হায়না পনখিবগা লোয়ননা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা বোম অদু আই ঈ দি অমনি হায়খি।

## সাউথ কোরিয়ন অমা সিওলদা লৈবা জপানিজ এম্বেসি মনাক্তা মশা মথন্তা মৈ থাজদুনা শিজখ্রে



সিওল, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):
সিওল অমসুং টোকিয়োগী মরক্তা লল্লোন-ইতিক অমসুং পোলিটিকেলগী য়েৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা ইরাই নুমিত্তা মশাগী চহী ৭৮ শুরবা সাউথ কোরিয়ন নুপা অমা সিওলদা লৈবা জপানিজ এম্বেসি মমাংদা মশা মথন্তা মৈ থাজখ্রে।

কিম হায়বা য়ুম্নাক মমিং অমনা মশক তাকখিবা মীওই অদুনা মহাক্কী কার অদু এম্বেসি বিল্ডিং অদুগী গেট মমাংদা লৈরিবা ফুটপাটতা থৌজিল্লবা মতুং অয়ুক পুং ৩.২৪ রোম তাবা মতমদা মহাক্কী গাড়ি মনুংদা মৈ থাখি অমসুং মহাক্কী হকচাংগী অয়াম্বা শরুক চাকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কার অদুগী মনুংদা ব্যুটেন গ্যাস য়াওনা মৈ চাক্কনবা পোৎশক কয়ামরুম য়াওরমখি। গাড়ি মৈ চাকপদু মিনিট ১০ গী মনুংদা মুথৎখি অমসুং হকচাংগী ফিভম থিনা মৈ চাক্লবা মীওই অদু মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। মহাক হকচাংগী শরুক অয়াবা মৈ কা হেন্না চাকখিবগা মরী লৈননা রেস্পিরেটরি সিষ্টেম ফেল ওইবদগী হোস্পিটালদা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, কিম্না মমাংগী নুমিত্তা মহাক্না তিন্নবা মীওই অমদগী ৱাইরকখিবা পুবা কার অদু ইরাই নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ময়ুমদগী থোক্লবা মতুংদা থৌদোক থোকফমদু তান্না থৌজিনখিবনি। মহাক্না মশা মথন্তা মৈ থাজদ্রিঙৈগী মাংওইননা মহাক্না তিন্নবা মীওই অদুদা ফোন তৌদুনা জপানগী থৌওংদা মঙোন্দা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওবনা মরম ওইদুনা মহাক মথন্তা মৈ থাজরগনি হায়না ফোঙদোক্লমখি হায়না পুলিস ওফিসলশিং পল্লদুনা ক্যোয়ুদো ন্যুজগী রিপোট অদুনা ফোঙদোকখি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা কিমগী মকুবোকপু জপান্দা নমদুনা পুরগা থবক শুহনখি হায়রি।

## ষ্টুদিও মৈ থাখিবা মীওইনা মহাক্কী নোবেল হুখি হায়না থাজখি

টোকিয়ো, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):
চহী ২০ লোমগী মনুংদা জপান্দা থোকপা মী পাক্তক্লনা হাৎপগী থৌদোক অমদা শগোলশেল নুমিত্তা এনিমিনেসন ষ্টুদিও অমা পেট্রোল হৈজিন্দুনা মৈ থাখিবা মীশক্লি হায়না চিংনবদগী ফারবা নুপা অমনা মহাক্কী নোবেল হুরানখি হায়না চিংনবদগী ষ্টুদিও অদু মৈ থাখিবনি হায়না ইরাই নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নুপা অদুনা য়ামদ্রবা পেট্রোল বাল্টিল অমা য়াওবা ট্রোলি অমা ক্যোটো সিটিদা লৈবা ক্যোটো এনিমিনেসন বিল্ডিং অদুগী থোঙ্গাল ফাওবা ইন্দুনা পুশিল্লবা মতুংদা বিল্ডিং অদুগী মফম কয়াদা মহাক্না পুরকখিবা থাউ অদু হৈজিনবগা লোয়ননা ‘শিরো নখোয়’ হায়না খোঞ্জেল হৌনা লাউদুনা বিল্ডিং অদু মৈ থাখিবনি হায়না পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা ব্রোদকাষ্টর নিপ্পোন টি ভিনা ফোঙদোকখি।

ষ্টুদিও অদুবু মৈ থাখিবা মীশক্লি হায়না চিংনবদগী ফারিবা মীওই অদু সিঞ্জি আওবা কৌই হায়না



পুলিসনা ফোঙদোকখি। মহাক এটেক অদুগী মতুং মতম ইকান কান্নদনা ফাখিবনি। এন ঐচ কেগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মহাক মমাংদা মীফা-মীপুন অমত্তদা চেন্নখিদ্রি।

ক্যোদো ন্যুজগী পাউনা হায়, পুলিসনা মশাগী চহী ৪১ শুরবা মীওই অদুবু ফাবা মতমদা মহাক্লা বিল্ডিং মৈ থারিবদু মশামক্লনি হায়না ইফোং ফোংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টুদিও অদুনা মহাক্কী নোবেল হুরানখি হায়না থাজবদগী মহাক্লা বিল্ডিং অদুবু মৈ থারিবনি হায়খি।

মীওই অসিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা পুলিসনা কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে। মীওই অসি বিল্ডিং মৈ চাকপদুদা মহাক্কী হকচাংসু মফম কয়াদা মৈ ৱাইবদগী হৌজিক এনেসথিজিয়া থারগা থম্বনা মরম ওইবনা পুলিসনা মঙোন্দা ৱাহং পাউহং চথবা ঙমদ্রি হায়নসু ব্রোদকাষ্টর নিপ্পোন টি ভিগী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## জপানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা সাউথ কোরিয়াগী এনভোই চৈ থাংখ্রে

টোকিয়ো/সিওল, জুলাই ১৯ :
নমদুনা থবক শুহনখিবা কোরিয়ন লেবররশিংদা কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফম হেন্না লুশিলহনবা খোঙথাং অমদা ইরাই নুমিত্তা জপানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা সাউথ কোরিয়াগী এম্বেসেদরবু কন্না চৈ থাংখ্রে হায়রি।



জপানিজ ফার্মশিংদা নমদুনা থবক শুহনখিবা কোরিয়নশিংদা কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফম অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লল্লোন-ইতিক্কী উংখৎনবা অমা লাকহন্দুনা মেমোরি চীপশিং অমসুং মোবাইল স্কৃনশিং শাবদা শীজিন্নবা হায়-টেক মচাক-মথুমশিংগী লল্লোন ইতিক্তা অকায়বা ফাওবা লাকহনখি।

জপানগী থৌওংবু য়ানিংদবা উৎলদুনা সিওলদা লৈবা জপানিজ এম্বেসিগী মমাংদা সাউথ কোরিয়ন নুপা অমা মথন্তা মৈ থাজদুনা শিখিবগী থৌদোক্লা য়ু এসকী মরু ওইবা এসিয়াগী মীচং লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবসি ফিভম হেন্না লুশিলহনখি। জপান্না সাউথ কোরিয়াগী চীপ শাবা অচৌবা কম্পেনিশিংদা হায়-টেক মেটরেএলশিং এক্সপোর্ট তৌবদা কা হেন্না কন্ট্রোল তৌবগী মতাংদা সাউথ কোরিয়ানা জপানবু ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনৈ হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা জপানগী থৌওং অদুনা গ্লোবেল সপ্লাই চেনশিংদা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়খ্রবনি।

ফোর্স লেবরগী মরমদা য়েৎনবগী মতাংদা জপান্না সাউথ কোরিয়াদা অহুমশুবা লৈবাক অমনা অর্বিট্রেসন তৌবগী ৱাফম য়ানবা পীখিবা মতম লোইখিবা মতুং নোংমা লৈরগা জপানিজ ফোরেন মিনিষ্টর তারো কোনোনা সাউথ কোরিয়াগী এম্বেসেন্দর নাম গুৱান-পিয়োবু কৌখৎখিবনি।

জপান্না কুমজা ১৯১০দগী কুমজা ১৯৪৫ ফাওবা কোরিয়ন পেনিন্সুলা খুদুম চন্দুনা থমখিবগী মতাংদা সাউথ কোরিয়না পেন্দবদগী য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদা মতম শাংনা খুরৌ থাংদুনা লাকখি। হৌখিবা চহীদা সাউথ কোরিয়াগী কোর্ট অমনা জপানিজ ফার্ম অনীদা নমদুনা মখোয়গী থবক শুহনখিবা কোরিয়নশিংদা কম্পেন্সেসন পীনবা ওর্দর তৌখিবদগী ফোর্স লেবরগী ৱাফম অসি লুশিল্লকখিবনি।

অমরোমদা, জপান্নদি জপানিজ ফার্মশিংদা নমদুনা থবক শুহনখি হায়রিবা কোরিয়নশিংদা কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফম অসি কুমজা ১৯৬৫ ট্রিটি অমগী মখা লৈখায় তানখ্রবনি হায়রি।

## স্রেব্রেনিকা মীহাৎতা দটচ ষ্টেটসু চেন্নফম থোকই : সুপ্রিম কোর্ট

হেগ, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):
কুমজা ১৯৯৫দা য়ু এনগী বেজ অমদগী তান্থোকখিবা বোসনিয়ন মুস্লিম নুপা ৩৫০ স্রেব্রেনিকাদা বোসনিয়ন সর্ব ফোর্সশিংনা হাৎখিবগী থৌদোক্তা দটচ ষ্টেটসু মওং খরদা চেন্নফম থোকই হায়না মমাংদা পীখিবা রুলিং অমা ইরাই নুমিত্তা নেদরলেন্দসকী সুপ্রিম কোর্টনা শৌগৎখ্রে।



দটচ কেস অসিনা পিছ কিপ্পিং ওপরেসনশিংদা ট্রুপ কন্ট্রিব্যুট তৌরিবা লৈবাকশিংগী লাইএবিলিটিগী মতাংদা ইন্টরনেসনল লোদা অনৌবা চৎনবী অমা লাকহনবা য়াই হায়রি। কেস অসিনা ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংদা লম-সমদা কম্পেন্সেসন পীবগী লম্বী অমসু ফাৎলবা য়াই হায়রি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা য়ুরোপকী মফম অমদা থোকপা খ্বাইদগী শাথিবা পাক্তক্লনা মী হাৎপগী থৌদোক অমদা চহী নৌরিবা নুপামচাশিং য়াওনা মুস্লিম নুপা ৮,০০০ রোম ফারগা হাৎখিবনি। বোসনিয়ন সর্ব ফোর্সশিংনা চথুরকপা য়াবা মীহাৎ-মীপুন অমদি মীওৎ-মীনৈগী থৌওংশিংদগী কন্নজনবগীদমক্তা মুস্লিম লিশিং কয়ানা চঙজফম লৌদুনা লৈখিবা য়ু এন্না পীবা ‘সেফ এরিয়া’ অমা ঙাক শেনবগী থবক মশিং য়ামখিদ্রবা অমদি খুৎলায় মতিক চানা পায়দবা দটচ পিছ কিপ্পিং ট্রুপশিংদা শীন্নখিবনি।

মুস্লিম লিশিং কয়াদুগী মনুংদগী নুপা ৩৫০ দটচ বেজদা থুংজিনখি। নেদরলেন্দসকী সুপ্রিম কোর্টনা হায়রিবদি দটচ ফোর্সশিং অদুনা মীওইশিং অদুবু বেজ অদুদা মখা তানা লৈহল্লম্বা য়াবনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়বু খঙন-খঙনা অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা বোসনিয়ন সর্ব ট্রুপশিংগী মখুত্তা শীন্নদুনা অশিবগী খয়াৎতা লংশিনবগী থৌওং চথখি।

কোর্টনা মীশি মীনা পুম্নমক্তুগী ওইনা দটচ ষ্টেটকী লাইএবিলিটি চাদা ১০ দা লেপখি। মসিনা সর্ভাইভরশিংনা ফংবা য়ারিবসি শুপ্পগী য়ুরো লিশিং খরদমক ওইরগনি হায়রি। কোর্ট অসিনা ষ্টেটকী পার্সিএল লাইএবিলিটিগী ৱাফম শৌগৎখিবা ওইরবসু বেজ অদুগী মপান্দা পুল্লিবা মীওইশিংবু পুথোকপদা দটচ ফোর্সশিংনা মতেং পাংখি হায়বসি অনলোফুল ওই হায়বা অনীশুবা চার্জ অমদি রেজেক্ট তৌখি। কোর্টনা ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংনা ফংগদবা কম্পেন্সেসনগী চাং চপ চানা পনখিদ্রবসু মমাংগী কেস অমদা দটচ ষ্টেটনা সর্ভাইভর কয়ামুক্তা য়ুরো লিশিং কয়া পীবা লৈখ্রবনি।

## ইন্দিয়া-নেপাল ওইল পাইপলাইন মথং থাদগী হাংলগনি



কথমন্দু, জুলাই ১৯ (এজেন্সি):
নেপাল-ইন্দিয়া বাইলেটরেল প্রোজেক্ট অমা ওইরিবা মোতিহারি-অমলেখগুঞ্জ ওইল পাইপলাইন প্রোজেক্ট অসি লৈবাক অনীগী এগজিকুট্যিভ হেদশিং ভর্চ্যুএল ইনোগ্যুরেসন তৌরবা মতুং লাক্লিবা ওগষ্ট ফাওবগী মনুংদা কম্মর্সিএল ওপরেসন হৌরগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা হিমালায়ন টাইমসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্মা ওলি অমসুং ইন্দিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবা নরেন্দ্র মোদিনা প্রোজেক্ট অদু ভর্চ্যুএল লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা নেপালনা ইন্দিয়াগা ওফিসল ওইনা থাউগী লল্লোন-ইতিক হৌরগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফ্যেরস (এম ও এফ এ) অমসুং নেপাল ওইল কোর্পোরেসন (এন ও সী)না ওগষ্টকী অহানবা চয়োলদা ইনোগ্যুরেসন তৌবা য়ানবগী শীল্লি-লাংলিবা পুম্বা কনফার্ম তৌখি। এম ও এফ এনা সোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা, নেপালগী প্রসিদেন্ট বিদ্যা দেবী ভন্দারিনা হৌদক্তা ইন্দিয়াদা চৎখিবদা ইন্দিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবা রাম নাথ কোবিনদা নেপলদা লাক্লবা ইনভাইট তৌখিবা লৈবনা লৈবাক অনীগী হেদস ওফ ষ্টেটনা ইনোগ্রেসন তৌবসু য়াই।

## ইথিওপিয়াগী ইরাংদা মীওই অহুম শিরে

অদ্দিস অবাবা, জুলাই ১৯ :
ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং সিদামা ইথনিক গ্রুপকী ওইবা অনৌবা লমদম অমা লাউথোকপা পাম্লিবা লোকেল এক্তিভিষ্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখিবগা লোয়ননা ইথিওপিয়াগী সাউদর্ন সিটি হৱাসাদা য়ামদ্রবদা মীওই শিখ্রে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সিদামা ওপোসিজসন পার্টি অমনা মখোয়গী লমদম অদুবু লাউথোকপদা মতম খরা চোন্থবগী ৱাফম য়াবগা লোয়ননা থা ৫গী মনুংদা রেফরেন্দম অমা পাঙথোকপগী গভর্নমেন্ট ওফর অমা য়াখিবদগী শগোলশেল নুমিত্তা হৱাসা সিটি সেন্টরদা পাক শন্না মীশি-মীনা থোরকপা য়াবা ইরাং অমা মাংজৌননা থিংবা ঙমখি।

অনৌবা লমদম অমা ইথনিক গ্রুপ অসিনা মরন্নাইগী ৱারেপ মতুং ইন্না লাউথোকচবগী থৌওং ইথিওপিয়ন ফেদরেল গভর্নমেন্টকী ওথোরিটিদা হকথেংননা শীংনবনি হায়না লৌনরি। ফেদরেল গভর্নমেন্ট অসিনা মীওই মিলিয়ন ১০৫ লৈবা লৈবাক অদুগী রিজন ৯ য়েংশিল্লিবনি।

হৌখিবা চহীদা রুলিং কোলিসন্না ফম পায়হনখিবা প্রাইম মিনিষ্টর অবিয়ে অহমদ অসি অফ্রিকাগী সুপ্নমগী থৌওং চথবা লৈঙাক লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমদা পোলিটিকেল রিফোর্ম কয়া পুরকপা ঙম্বগীদমক্ত থাগৎনরিবনি। ইথিওপিয়ন এক্তিভিষ্ট কয়ানা মখোয় মখোয়গী ওইবা ইথনিক গ্রুপশিংগীদমক্তা অহেনবা রাইটশিং দিমান্দ তৌনরক্লি।

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR**
**ADMISSION NOTICE**
**Dated, the 18th July, 2019**

No.MU/3-53/B.Voc.(U)/Aca/15/1542 In continuation of the Admission Notice No. 135 dated 20th May, 2019, some seats are lying vacant including Economically Weaker Sections for admission into three year B.Voc. Courses on Retail Management & Foreign Trade. All interested candidates can apply on or before 22nd July, 2019 and the entrance test will be held on 23rd July, 2019 at 9.30 a.m. at the Centre.

Sd/- S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar (Aca)

HL-B/5561/20

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR**
**ADMISSION NOTICE**
**Dated, the 19th July, 2019**

No. MU/3-60/YD/Aca/16/1537 Online and Offline application forms are invited for admission into one year Post Graduate Diploma in Yoga Science for the academic session 2019-2020.

***Eligibility:***

***The candidates having passed BPEd (Integrated)-/4 Years/BPEd/any graduate with at least 45% of marks shall be eligible for admission to Post Graduate Diploma in Yoga Science.***

Application forms can be submitted online at the Manipur University Website (**www.admission.manipuruniv.ac.in**). Online application fee of Rs. 300/- for UR/OBC candidates and Rs.200/- for ST/SC candidates are to be paid online.

Offline application form can be downloaded from the Manipur University Website (**www.manipuruniv.ac.in**). The University Counter will not issue hard copy of the application forms. The filled in application forms should be submitted to the concerned Department along with the application fee of Rs. 300/- for UR/OBC candidates and Rs.200/- for ST/SC candidates. Application fee can be paid either i. as Bank Draft drawn in favour of the Registrar, Manipur University payable at the SBI, MU Campus Branch (Code No. 5320) or any Nationalized Bank, or ii. at University Counter upto 2.00 p.m. on all working days.

**IMPORTANT DATELINES:**

| | |
|---|---|
| START OF ONLINE SUBMISSION | 20-07-2019 |
| LAST DATE FOR ONLINE SUBMISSION | 29-07-2019 |
| LAST DATE FOR OFFLINE SUBMISSION | 31-07-2019 |

Sd/- Prof. W. Chandbabu Singh
Registrar (i/c)

HL-B/5562/20